# ‘‘কুকি ইচিল ইনাওশিং-!’’

- এল ইবোমচা -

অরান্বাই তেঙ্গোলনা মীতৈ এম এল এশিং অমদি এম পি অনীদা জন্যুৱারী ২৪, ২০২৪, য়ূমশকৈশা নুমিত্তা কংলা মীফম য়াওরনবা চেবাউ পীবগী মতুংইন্না মীতৈ এম এল এ ৩৬ অমদি এম পি অনী লাক্কুনা শরুক য়ারখ্রে। মীফম অদুদা অরান্বাই তেঙ্গোলগী মকোক থোংবশিং য়াওনা মীওই ১০০না শরুক য়াদুনা কংলা উত্রা মাংদা অয়ূক্কী পুং ১০ তাবা মতমদগী মীফম পাঙথোকপা হৌখি।

মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা দিমান্দ ৬ হায়বদি ১) মণিপুরদা কুমজা ১৯৫১না বেজ য়্যর ওইরগা এন আর সী চৎনহনবা, ২) কুকিগী লালহৌবশিংগা চত্থনরিবা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সূ) লৌথোকপা, ৩) ম্যান্মারদগী হন্দক্তা নৌনা মণিপুরদা চঙলকখিবা হৌজিক্না দিষ্টেন্সন সেন্টরদা থল্লিবা ম্যান্মার রিফ্যুজিশিং মিজোরামদা চৎহনখিবা, ৪) মণিপুর অমদি ম্যান্মার অনীগী ঙমখৈ শন্বল খাবা, ৫) মণিপুরদা লৈরিবা অসাম রাইফলস পূল্লপ্পা মণিপুরদগী লৌথোকখ্রগা অতোপ্পা সেন্ত্রেল ফোর্স অমনা মহুৎ শিনবা, ৬) ইল্লিগেল কুকি ইম্মিগ্রেন্টশিং সেদ্যুল্ড ত্রাইবস লিষ্টতগী লৌথোকপা হায়বা ৱারেপ ৬ অসি নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা থবক্তা ওইনা ওন্থোক্নবা হোৎনবদা সেন্টরদা পূন্না তকশিনমিন্নবা হায়বসিদা খূৎয়েক পীনখিবনি। লোয়ননা ঐ ইশা ইশানা ইরৈবাক ইফূরুপ অসিগী লাইনীং মাঙনবা মীথিবোং মীতম্বাল ওইরোই লাইনিংথৌনা খঙসনু-! লাইনিংথৌ সনামহীনা য়াইফরে-! ইবুধৌ পাখংবনা য়াইফরে-! হায়বা ৱাহৈশিং অসি পল্লগা তিল্লিবা মীয়াম পূন্নমক্কা লোয়ননা ৱাশক লৌমিন্নখি।

অরান্বাই তেঙ্গোলনা খোঙথাং অসি থাংজিল্লকপগী মরু ওইবা মরমদি থা ৯ হেঞ্জিল্লক্লবা ঈরাংসি লোইশিন্দনা মতম শাংনা অসুম লৈরকপা অসিদা গভর্ণমেন্ট অসি লৈরিব্রা লৈত্রবরা? চীফ মিষ্টির, কেবিনেট মিনিষ্টরশিং অমদি এম এল এশিংসি মপাঙ্গল করিমত্তা থোক্তনা মথৌ অমত্তা তৌদনা লৈবসিদা লৈবাক মীয়াম্না মপাঙ্গল হাপ্পনি হায়বা য়াই। নাকল অমরোমদা মীয়ামগী মীহুৎনি হায়না থাগৎতুনা শক্তি শিন্নখ্রগা মীচম মীয়ামশিং কুকি লমহেনবশিংনা তোরা-তুনা হাৎলকপা মসিদা তূমিন্না য়েংদুনা লৈবগীদমক ইকায়বা পীবনি লৌবসু য়াই। অমরোমদা লান অসিবু খামদোক্লবনি হায়না মপান্দগী চঙলকখিবা অদুক য়ামখ্রবা সেন্ত্রেল ফোর্স লিশীং ৭০/৮০ অদুবু কদাই ৱাইদা নমশিন্দুনা থমখ্রবগে হংবনি হায়না লৌবসু য়াই।

মমাঙ চহীগী ওগষ্ট ৯, ২০২৩গী পার্লিয়ামেন্টকী মীফমদা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ মশামক্না মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং (মীহাৎ মীপূন) অসি কাঙলোন কায়না ম্যান্মারদগী চঙলকখিবা মীতোপশিংনা থোকহনবনি হায়বসি খঙলে। মসিগীদমক পুং ২৪ চূপ্পা য়েংশিল্লি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখি। মসিদসু নত্তনা চহী অসিমক্কী ওগষ্ট ১দা ইন্দিয়াগী সোলিসিটর জেনরেলনা মণিপুরগী ঈরাং অসিদা লৈখিদবা মীওইশিংগী মনুংদা খরদি মশক মমিং খঙদবা অশিবা হকচাং য়াওবনা মপান লৈবাক্তগী কাঙলোন লান্না চঙলকপা মীওইশিংনি হায়না সুপ্রিম কোর্টতা থমখিবা লৈখি। মসিগী মমাঙ মমাঙদসু মণিপুরগী গভর্রর অনুসুইয়া উইকেনসু মণিপুরগী ঈরাংসি কাঙলোন লান্না চঙলকপা মীওইশিংনা থোকহনবনি হায়দুনা ফোঙদোকখিবা লৈখি। অদুগা সেপ্টেম্বর ২৭, ২০২৩দা ন্যু য়োর্কতা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী জেনরেল এসেমব্লিগী মীফম অমদসু ইন্দিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর এস জয় শঙ্করনা মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং (মীহাৎ মীপূন) অসি কাঙলোন লান্না ইন্দিয়া মনুংদা চঙশিল্লকখিবা মীতোপশিংনা থোকহনবনি মসিগীদমক পুং ২৪ চূপ্পা মীকুপ নাহুম শীংনা য়েংশিল্লি হায়খিবা লৈখি। অদুগা ওগষ্ট ২৪, ২০২৩দনা মহারাষ্ট্রগী নাগপুরদা আর এস এসকী মপোক কুমওনগী থৌরম অমা পাঙথোকপদসু আর এস এসকী লুচিংপুরেল মোহন ভাগৎনা মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং (মীহাৎ মীপূন) অসি মীরৈবাক্কী লালহৌবশিংগী খূৎ য়াওরে হায়বগী চীংনবা অমা লৈরে মসিগীদমক ঐখোয় পুং ২৪ চূপ্পা য়েংশিন্দুনা লৈ হায়না ফোঙদোকখিবা লৈ। অদুগা মমাঙ চহী নবেম্বর ৯ ওইরমাল্লে মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা দরবার হোলদা ফোঙদোকখিবদা সেন্টর অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা থোক্লিবা ঈরাং অসি পুং ২৪ চূপ্পা মোনিটর তৌদুনা য়েংশিল্লি হায়খিবা লৈ।

মসিনা তাক্লিবদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মরী লৈনরিবা খুদিংনা মণিপুরগী ঈরাং (মীহাৎ মীপূন) অসি নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংনা থোকহনবনি হায়বসিমদি ময়েক শেংনা খঙই হায়বনি। মসিদা য়াম্না ঙক্লিবদি খঙনরা নৎত্রগা খঙদনরা ইরায় লায়না মণিপুরগী সিক্যুরিটি এদভাইজর ওইরিবা কুলদিপ সিংহনা হন্দক্কী চহী ২০২৪গী জন্যুৱারী থাদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মণিপুরগী ঈরাং (মীহাৎ-মীপূন) অসি মপানগী খূৎ য়াওই হায়বগী ইভিদেন্স ফংদ্রি। চাবা থকপা হিপ্পগী মতম খায়দোকখ্রগা লেমহৌরিবা পুংশিং অসি য়াম্না কূপ্না য়েংশিল্লি ফোঙদোকখিবা, লোয়ননা জন্যুৱারী ১২, ২০২৪দা ইন্দিয়াগী চীফ ওফ দি আর্মি ষ্টাফ জেনরেল মনোজ পান্দেসু মণিপুরগী ঈরাং (মীহাৎ মীপূন) অসিদা ম্যান্মারগী লালহৌবশিংগী খূৎ য়াওব্রা হায়বদু পুং ২৪ চূপ্পা য়েংশিল্লি হায়খিবা অসিসুনি। হায়বদি মণিপুরগী ঈরাং অসিদা মীরৈবাক্কী খূৎ য়াওরে হায়বা খুদিংমক্না চিংনবা লৈরবসু মণিপুর লৈঙাক্কী সিক্যুরিটি এদভাইজর অমদি ইন্দিয়াগী চীফ ওফ দি আর্মি ষ্টাফ মখোয় অনীদি শুকখঙ খঙদবগী মওংদা লৈরল্লিবা অসি করিগীনো হায়বনি।

অসুম্না মণিপুর অমসুং সেন্টর লৈঙাক্কী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা পুং ২৪ চূপ্পা য়েংশিল্লি, য়েংশিল্লি হায়না থা ৯ হেন্না য়েংশিন্দুনা লাক্লি। মণিপুরদা ‘সূ’ চৎনরিবা কুকি লালহৌবা অমদি ম্যান্মার পি দি এফ লালহৌবা অনীসি পুল্লগা মীতৈশিংদা লান্দারকপনি হায়বা খঙবা য়াবা খঙলবসু খঙশিন্নদনা হৌজিক ফাওবসি য়েংশিন্দুনা লৈরি। অসুম্না য়েংশিন্দুনা লৈরি, য়েংশিন্দুনা লৈরি হায়না কয়া য়াম্না কুইনা য়েংশিন্দুনা লৈখিগদগে হায়না মীতৈশিংনা ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংদা হংলি। লানসিনা ষ্টেট ফোর্স খক্তদা নত্তনা সেন্ত্রেল ফোর্সকী পর্সনেল ফাওবা অশি অনা, অশোক অপন কয়া নংখ্রবনি। ঙসি মণিপুরদা থোক্লিবা লাঞ্জাওসি ইন্দিয়াগী গুজরাটতা থোকপা ওইরম্লবদি করি ফিরেপ লৌরমগনি হায়না ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংদা মীতৈশিংনা ইতৎ তত্তনা হংলিবা ৱাহংনি।

মীতৈশিংনা ৱারৌরিবদি অসি য়ৌনা অশি অনা নংলবা লানফম অসিদা ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংনা হৌজিক ফাওবদা পোজিটিভ ওইবা ৱাহৈ অমত্তা ফোঙদোক্তনা খোঙ্গ্রাই চল্লগা য়েংদুনা লৈরি। হৌদোংনা ঙা চাবা য়েংদুনা লৈবগুম্না য়েংদুনা লৈরি। অদুবু মীতৈগী ইপা ইপুশিংগী পাউরৌ পাউতাক ‘খোঙ্গ্রাই শৎলিঙৈ ষণনা ৱাই’ অদুতদি তাহনবীগনু হায়বসিনি। কুকিশিংনা তাল্লিবসি মীতৈশিংনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ তানবদু ওইহন্দবা নত্তে, লম তানবনি সিমতংদি খঙউ হায়বনি। তম্পাক্কী লম শরুক অসি খক্তং খাক্লম্লগা চীংগী লম শরুকশিং অসি পুল্লপ্পা কুকিশিংগী লৈবাক কুকিলেন্দ শেমগে হায়বনি। মখোয়না খন্নবদদি চীংগী লমদা নাগাগী লম শরুক হায়বা অমা লৈতে। নাগাশিংনা মখোয়গী লমদা লৈরবদা অকায়বা অমত্তা লৈতে, পূন্না অদুম লৈমিন্নসি মরৈ-মরাং তৌরক্কনু, তৌরক্লবদি নাগাশিং তুম্নবা হাৎকনি হায়বসিনি। মখোয়গী অহানবা পান্দমদি মণিপুরদগী তোখাইবা কুকিলেন্দ অমা শেম্বদুনি। মসিদা অয়েৎ অপন পীরক্কদবা মীতৈশিংদা লান্দাশিনবনি। অদুনদি মণিপুরসি মীতৈশিংগী লৈবাক্লি হায়বদুমদি মখোয় চপ চানা খঙই তাকচৈ। অদুননি মণিপুরগী চাউরবা চীংগী শরুকশিংসি মালেমগী মাংদা মখোয়গী লম শরুক্লি হায়বদু য়ানবা মখোয়না নম্না খুন্দারিবা মফমশিংদা লৈরিবা মীতৈশিং তান্থোক্লবা য়ূম মৈ থারিবনি অমদি খুন্দারম্মী হায়বদুগী মমি তাদনবা দ্রোজরনা য়ূম্ফমশিংদু তেমথোক্তুনা থল্লিবনি।

মীতৈশিংনা হায়রিবনা কুকিশিংগী দিমান্দ অসি মরম চাবা ৱাৎলি অচুম্বা অওইবা অমত্তা য়াওদে। মরমদি সিপরেট ষ্টেট তানবদবু মীতৈদা তানফম থোকপ্রা? ঈরাং হৌগদবা নুমিৎ ৫/৬নিগী মমাঙদা লৈঙাক্কী মখাদা থবক তৌবা কুকি এমপ্লোয়ীশিং ছুটি লৌনদুনা তম্পাক্তা লৈরমদবা, নেসনলগী মীদিয়া হাউস ময়াম হান্ননা চুড়াচান্দপুরদা কৌশিন্দুনা লৈহল্লম্বা, ইল্লিগেল মাইগ্রেন্ট ময়াম কৌশিল্লগা লৈহল্লম্বা, উমং শিৎ নান্না কোক্লগা পোপি থাবা, এন আর সী চৎনহনবদা থিংবা, অরানবা পুৱারী শেম্বা, বোর্দর ফেন্সিং তৌবা থিংবা, মীতৈলোল মখোয়দগী মতৌ তম্বনি হায়বা, লমগী মমিং ওন্থোকপা, নেসনল হায়ৱে অনী থিংজিনবা, মণিপুরগী নহারোলশিং দ্রগতা লাইচুহনবা মসিবু হৌনরিবা থবক্লা? মসিনা তাক্লিবদি কুকি ফূরুপকী মীওইশিং অসি মরালনা মপোৎ ফারবা মীফত্তা ঙাক্তনি তাকপনি। অদুবু মসিদা ঙক্লিবদি অসুক ফৎখিদ্রবা কুকি ফূরুপকী মীওইশিংগা করম্বা ঈগী মরী লৈনবনো খঙদে মীতৈশিংনা ৱাঙাঙ খুদিংগী ‘কুকি ইচিল ইনাওশিং-!’ হায়না ইতৎ তত্তনা পল্লি। ●

# লাইনীং-লাইশোনগী থৌরম অমসুং ময়াই কাবা চীঙ্গাক

মতম মতমগী
**গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা**

চেপ্তুক তৌবা লিক্লিগা লোয়ননা গ্লাস অমসুং চানবা য়াওবা প্লেটকা লোয়নবা ফোটো খরা নহান নোংমা সোসল মীদিয়াদা থাগৎলকপা থেংনখি। কনানা থাগৎলকখিবনো হায়বদুমক্তি চপ চানা নীংশিংবা ঙমদ্রে। থাবান ফবা নুমিৎ ওইরমাল্লে নুমিত্তো চুড়াকরণ, লুগুন থাংবা অমসুং লুহোংবা য়াম্না ফাংনখি। অয়ূক্কী পুং ১১ মুক তারকপা মতমদগীদি মখল মখলগী ফোটো কয়া লেপ্তুনা থাগৎনরকখি। মপান লমগী য়াম্না নানবা অচৌবা হোটেলগী বারগুম্না নিংথিনা শেম শারবা মফম কয়ামুকসু উই। মদুদা ফল্লিবা মীওইশিং অদুদি অয়াম্বনা পাইজমা কুর্টা শেৎপা মীওই ঙাক্তা ওইবনা হোটেলগী বারমক্তি ওইররোই হায়বা খঙই। ইচম চম্না শামিয়ানা খনবা, কর্নাটনা খাবা মফমসু য়াওই, শঙ্গোয়, মাঙ্গোলগুন্বা মফমসু য়াওবা উই। মফম মান্নদ্রবসু দৃশদি অয়াম্বনা মান্নে। অনানবা টেবল চৌক্রি মরাং কায়না থাই, চানবা অমদি থক্লবা মখল মখলগী থন্বসু উই। মওং মতৌদু য়েংবদা মপাম চাক্নৌবদি মান্দ্রে। থাগৎনরক্লিবা মতমদুগা হায়রগদি চুড়াকরণগী ওইরমগদবা মাল্লি খল্লিঙৈদা ‘চুড়াকরণ হৌদোরে’ হায়বা ফেসন য়াওবা গ্লাস থাঙ্গৎনবগী পিকচর অমা থাগৎনরকপা উরকই। মদুনা চুড়াকরণনি হায়বা কনফর্ম তৌই।

লমদম অসিদা চুড়াকরণ, কর্ণবেধ, নাহুৎপা নৎত্রগা লুকোকপা হায়না তোঙান তোঙান্না মিংথোনবা থৌরম কয়া পাঙথোক্লরি। মমাঙঙৈ হায়বা তারে, ঙসিদগী চাউরাক্লা চহী ৩০/৪০ মুক্কী মমাঙদা পাঙথোক্লরম্বা চুড়াকরণগী থৌরমগা ঙসি লমদম অসিদা পাঙথোক্লরিবা অসিগা খেন্নবা য়াম্না লৈরে। মতম অদুগী থৌরমশিংদি যজ্ঞ অমসুং সঙ্কীর্ত্তননা মরু ওইনা লৌনরগা অয়াম্বনা চাক য়াওনরমদে, চাক্কী মহুৎ ক্ষির নৎত্রগা খেচ্রি ওইনা তৌনরম্মী। ঙসিদি মদু তৌনদ্রে চুড়াকরণবু তৌরবদি যজ্ঞ য়াওবা য়াওদবা ঈশৈ তৌবা তৌদবা করিসু খন্নদ্রে। ঙা য়াওবা চাক্লেন অমদি শোয়বা য়াদ্রে। মফম খরদদি চাকচামাঙদা লৈয়েং হেক ফাইদ্রিবমখৈ থকথবা হায়বসিমসু শোয়দ্রে। মদুগুম্বগী ফোটো ওইরমগদবা মাল্লি থাগৎলকখিবা মতুং মতম ইকান কান্নদনা কম্মেন্টসু য়াম্না পীনরকখি। নৈরেহৈ উবদা তিন্দুম চুম্মী, থকথরো থকথরো হায়বনচিংবা কয়া কয়ানি, ফৈ নৎত্রগা ফত্তে হায়বগী কম্মেন্ট অমত্তা থেংনদে, থৌওং অদু উবদা য়ানীংদবা মীওই লৈরম্লোইদবদি মান্দে, অদুবু অপঙবা মীবু শেমদোক্লবা হোৎনরুনু মহাক্লা য়েক্লবগুম খনখিনি হায়নবগুম তূমিন্না লৈশিনবা ওইরম্বসু য়াই।

লমদম অসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্না হিন্দুবু ওইরবসু মীতৈ লাইনীংবু চৎলবসু মচা মশু অদুনা মশাগী চহী অহুম চঙলকপদা চুড়াকরণবু হায়রবসু মরূ কোকপবু হায়রবসু নাহুৎ নারেংগী থৌরম অমদি পাঙথোক্লরে। পোকপগা মনা হুৎতুনা সনা য়ানখ্রবসু মতমসি য়ৌরকপদা মরূ কোকপগী থৌরম অমদি অদুম পাঙথোক্লরে। থৌরম অসি করিগী পাঙথোক্লিবনো, মসি পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন, থৌরম পাঙথোক্লিবা থৌবু লোইনমক্লা খঙলমগদ্রা? থৌরম অদুবু পাঙথোকপীরিবা অখঙ-অহৈ, ব্রাহ্মনশিং অদুনদি থৌবুশিংদা থৌরম পাঙথোক্লিবা অদুগী মরম মরীক চুম্না তাকপীরমগদ্রা? অহল লমনশিং য়াওনা অখঙ অহৈশিংগা লোয়ননা থিজিন হুমজিনবা কনবা মীওইশিং অমদি অহল মনাক্তা ফম্বা, ৱারী লাইরিক নিংথিনা তাবা মীওই খরা নত্তনা অয়াম্বনা চুড়াকরণ নৎত্রগা লূ কোকপগী মরম কূপ্না খঙলমগদবা মান্দে। খঙলবসু খঙদ্রবসু চৎনবী অমা ওইনা থৌরমদি পাক শন্না পাঙথোক্লরি। চৎনবী অমা ওইনা পাঙথোকপনা থৌরম অদু কাঙলোন চুম্না পাঙথোক্লমগদ্রা, থৌরম পাঙথোকপগী ফংফম থোকপা মহয় চপ চানা ফংলমগদ্রা হায়বসিসু নৈনবগী মথৌদি তারি।

হিন্দু ধর্ম্মগী থাজনবগী মতুংইন্না সংসার অসিদা লৈরিবা লেংলি পাল্লিবা থৱায় পানবা পূন্নমক মমাঙগী মপোক্তা মশা মশানা তৌজখিবা পাপ, প্যুনাগী মতুংইন্না পোক্লকপনি হায়বগী থাজনবা লৈ। অফবা কর্ম্ম তৌরকপনা অফবা মপোক্তা, ফত্তবা কর্ম্ম তৌরকপনা ফত্তবা মপোক্তা পোক্লরিবনি হায়না লৌনৈ। জগৎ সংসার অসিদা লৈরিবা থৱায় পানবা পূন্নমক অসি পাপ তৌদবা অমত্তা লৈতবনা অমোৎ-অকায় কয়ামুক্লা তিন্দুনা সংসার অসিদা লাক্লিবনি। মীওইবগী মপোক অসি নত্তনা অতৈ মপোকশিং অসিগীদি পোকপদগী লোয়নরক্লিবা অমোৎ অকায়শিং অদু শেংদোকচনবগী পান্থৈ লৈজদে। নোংথক্তগী ঈশিংনা তরু-তরুনা তারক্লবসু মালেম য়ৌরকপদা লৈবাক্তগী অমোৎ অকায় কয়াগা তিন্নদুনা মোৎশিনখিবা অদু পান্থৈ কয়া শীজিন্নদুনা শেংদোক্লবা মতুংদা অশেংবা থকপা-চাবা য়ারবা অফবা ঈশিং ওইরকখিবগুম মীওই মপোক্কীসু পোকপদা লোয়নরক্লবা অমোৎ-অকায়শিং অদু শেংদোকচনবা বেদ শাস্ত্রনা তাকপীবা ‘দশ সংস্কার কর্ম্ম’ হায়রিবা থৌরম তরা অসি পাঙথোক্লগা মতিক মঙাল লৈবা মীওই ওইগনি হায়বগী থাজনবা লৈ। মমাঙগী মপোক্কী অমদি মমা মপাদগী লোয়নরকপা অমোৎপশিং অদু মমা মপানা নিংথিনা বেদ শাস্ত্রগী মতুংইন্না শেংদোকপীরগা খনিদগী অমোৎ অকায়গা লোয়ননা থোরক্লবসু মৈনুংদগী শেংদোক্লগা পুথোরক্লবা সনাগুম্না মতিক মঙাল লৈবা মচা অমা ওইনবগীদমক থৌরম তরা অসি পাঙথোকপা মথৌ তাই। মী অমগী পূন্সিদা পাঙথোকফম থোকপা থৌরম তরা অদুদি অহানবদা মপানা মমাদা গর্ভ পীরমদাইদা তৌগদবা যজ্ঞ, অনীশুবদা অঙাং ওইনবগীদমক, অহুমশুবদা গর্ভ কায়দনবা, মরিশুবদা অঙাং উনবগা তৌগদবা, মঙাশুবদা নাম করণ (অঙাং মমিং থোনবা), তরুকশুবদা চাকউন্বা, তরেৎশুবদা চুড়াকরণ, নিপানশুবদা উপনয়ন (লুগুন থাংবা), মাপনশুবদা মহৈ মশীন তম্বা লোইরদুনা গুরুগী আশ্রমদগী ময়ূমদা হল্লকপদা তৌগদবা (মমাঙঙৈদা গুরুগী ময়ূমদা লৈদুনা মহৈ মশীন তম্নরম্বগী মতুংইন্না), তরাশুবদা বিবাহ (লুহোংবা) হায়রিবা থৌরম তরা অসিবু বেদনা তাকপা কর্ম্ম তরা হায়না খঙনরম্মী।

লমদম অসিদা লৈরিবা হিন্দু লাইনীং চৎলিবা মীওইশিংনা মথক্তা পল্লিবা কর্ম্ম তরামক পাঙথোক্লদে। ঙসি ঙসিমক লমদম অসিদা পাঙথোক্লরিবা থৌরম খরা পনবা তারবদি ষষ্ঠি পুজা, চাকউন্বা, চুড়াকরণ, লুগুন থাংবা অমসুং লুহোংবনি। মথক্কী থৌরম মঙা অসিগী মনুংদা চাকউন্বসু চৎনবী ওইনা তৌদবা য়াদবগী মওংদা অঙাংদা চাক পীজনবগী তৌরবসু যজ্ঞনচিংবদি তৌনদে। লুগুন থাংবসু মমা মপা খরনা মশা মশাগী অপাম্বগী মতুংইন্না তৌনরি, মীপূম খুদিংমক্না শোয়দনা পাঙথোক্লবা থৌরম অমদি ওইদ্রি। পাঙথোকফম থোক্লবা থৌরমশিংগী মনুংদা অতৈমক তৌনদ্রবসু চুড়াকরণগী থৌরমসিমদি মীপূম খুদিংমক্না শোয়দনা তৌনবা থৌরম অমা ওইরে। থৌরম অসিদা থৌবুনা খঙলবসু খঙদ্রবসু পাঙথোকপীরিবা ব্রাহ্মণ অদুনা মমাঙথক্তা তৌহৌদ্রবা থৌরমশিংগী দোষ কোক্লবা ঘী লুপ্পবা শীং অমমমগা লোয়ননা ঘীগী আহুতি অহুম অহুমলক পীদুনা অঙাং অদুগী য়াইফনবগীদমক মৈদা হোম তৌনরি। অসিগুম্বা থাজনবগী মতুংইন্না পাঙথোক্লরিবা, পাঙথোকফমসু থোক্লবা থৌরমশিং অসি ঙসিদি অচুম্বা মায়ওন্দা চৎলিবরা হায়বদুসু য়েংশিনবগী মথৌ তারক্লে। চুড়াকরণগী থৌরম চাউনা চাউনা তৌনরবসু যজ্ঞ য়াওনদবা, য়াওরবসু থোইনা ভেল্যু লৈনা লৌনরক্তবা, যজ্ঞবুদি চাবা থকপনা হেন্না মরু ওইনা খন্নরকপসি মতম অসিগী চৎনবী ওইরক্লি। নিশাগী মায়োক্তা ওর্গনাইজেসন কয়ানা অকনবা মিৎয়েং চঙলিবা লমদম অসিদা চুড়াকরণগুম্বা ধর্ম্মগা মরী লৈনবা, মচা মশুগী য়াইফ থৌজালগীদমক পাঙথোকপা থৌরমদা মফম খরদা হোটেলগী বারগুম টেবল চৌক্রি নান্না থারগা চৎনবীগী দ্রেস শেৎলগা থকথবা, চাথবা অমদি মদুগী ফোটো সোসল মীদিয়াদা থাগৎনরকপা অসি খুন্নাই অসিগী ওইনা লাইবক থীবনি। অসিগুম্বা থৌরমদা চাকচা মাঙদা থকথরিবা অমদি চাথরিবা পূন্নমক অসি ইনভাইটিশিং অদুনা মশা মশানা পুদুনা লাকপদি ওইরমগদবা মান্দে।

থৌবুনা শিনবা ওইফম থোকই। মচা মশুগী য়াইফনবগীদমক্তা থাজনবী অমগী মতুংইন্না পাঙথোকপা থৌরমদা শানৈ-য়ুনৈবা হায়বসি ধর্ম্মগী মায়োক্তা ওইবতা নত্তনা খুন্নাই অসিগী চৎনবীগী ৱাংমদনি অদুনা ধর্ম্মগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা খুন্নাইদা মরিং মরাংবা মালহনগদবা থৌওংশিং তৌদবনা পূন্নমক্কী ওইনা য়াইফবা ওইগনি। থক্তবা য়াদে, চাদবা য়াদে হায়রবদি ধর্ম্মগা মরী লৈনবা থৌরম ওইনা পাঙথোকপগী মথৌ তাদ্রে, পাঙথোক্লুবগী ভেল্যুসু লৈগদবা মান্দে। অসিগুম্বা ধর্ম্মগা মরী লৈনবা থৌরমশিংদা থৌবুনা শিল্লগা খুন্নাই অসিদা মমাঙঙৈদগী চৎনরক্তবা থবক থৌওংশিং তৌনরক্লিবা অসিদি অহল-লমন পান্দবা তৌনীংবতা তৌবা য়াবগী মওংনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে। মতমগী মতুংইন্না নহা ওইরিবা মখোয়সু নোংমদি অহল ওইরক্কনি, ফম্মৈন্দা ফল্লক্কনি। মতম অদুদা খুন্নাই অসি করম্বা মায়কৈদা পুখিগনি হায়বদুসু খন্নবগী মতম ওইরে। ধর্ম্মগা মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরমশিংদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবা থিংনবা তোঙানবা ওর্গনাইজেসন অমা অমুক শেম্বগী মথৌ তারক্কদৌরিবরা? ●

# কোন্থোং হেক লানশিল্লকপদা শিমিন্নগদৌবনি - (১)

## (ইলেক্সনদি মাঙদা লৈরে, ‘সূ’ গী ৱাফমদি তূমিন্না লৈখ্রে, শাংদোকখ্রে/শাংদোক্তে মণিপুরগী লৈঙাক্লা খঙহনগদৌবনি, মদুনি মীয়াম্না ঙাইনরিবা)

- সৌবাম বিরধজ -

তিং তিং চাউরো
থবিনা কারিঙৈ কাহৌরো
থানা ৱাংলিঙৈ ৱাংহৌরো,
ইপা মচুম তারো
ইপু মচুম তারো
নুংশা লৈমা থোরক্লো
উরুম লৈমা চঙখ্রো
হাওরৈবীগী ইঙ্খোলদা
লশিং পোলাং লৈবনি
হুইনা-য়েন্না শোক্কনি।

মথক্কী ৱাহৈ খরসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক্তি -

তিং তিং চাউরো/থবিনা কারিঙৈ কাহৌরো হায়বগী ৱাহন্থোক্তি অঙাং নাৱা অপিশক (নুপা-নুপী) ওইরিবা অঙাং নাৱাদুগী মনমগন্দা ঈশিং পোপ পোপ থাবীদুনা মমা-মপা, ম পু-মবেন, মনেম-মন্দোনশিংনা ঈরুজবিবা মতমদা অঙাংদুদা চাইথবীদুনা (নহাক্লা চাউরক-শাংলক্লগা) নুমিৎ-থানা ৱাংবগুম ৱাংলক্লবা/শারেপ ফারক্লবা মতমদা (অচুম্বা অশেংবা পুয়া মশক খঙলক্কনি/থিরক্কনি) হায়ববুনি। ‘থবিনা কারিঙৈ কাহৌরো হায়বগী ৱাহন্থোক্তি (থবি ময়ূম শাবা হায়না হায়নবা) অতিয়া মকোইদা চুমথাংনা খনবগুম্না মচু তরেৎনা লৈতেংলিবা চুমথাংনা খনবগুম্না ফজরো/নিংথিরো (অতিয়াগুম ঙানথোইরো) হায়ববুনি। ‘নুংশা লৈমা থোরক্লো, উরুম লৈমা চঙখ্রো’ হায়বদি নোংমদি শোয়দনা অচুম্বা অশেংবা পুয়া মশক খঙলক্কনি (ইপা ইপুগী অশেংবা লাইনীং-লাইশোন্দু খঙলক্কনি) হায়ববুনি। ‘উরুম লৈমা চঙখ্রো হায়বদি ইপা -ইপুগী অশেংবা লাইনীং লাইশোন্দু খলক্লবদা (মাঙখ্রবা পুয়া নৌহৌননা খঙলক্কনি/থিরক্কনি) মদুদগীদি শান্তিদাস গোসাইগী ধর্ম্মদু উরুম লৈমগুম চঙখ্রগনি হায়না চাংদম্নরিবনি। মহাক্কী ধর্ম্মদু উরুম লৈমগুম চঙখ্রগা, মীতৈ/মৈতৈগী ইপা ইপুগী অশেংবা লাইনীং লাইশোন্দু নুংশা লৈমগুম থোরক্লো হায়না হায়ববুনি। হাওরৈবগী ইঙ্খোলদা লশিং পোলাং লৈবনি হায়বদি হাওশিংনা লৈবা মফম সঙাইথেনগী নাকন্দা কোইরেং ফূরুপ কাঙলূপশিংনা খুন্দারিবা লমদমদুদা পুয়া লাইরিকশিং লোৎতুনা থল্লিবনি হায়বনি। কনাগুম্বনা হেক্তা লায়না খঙদনবা, লশিং পোলাং লৈবনি হায়বদি পুয়া লাইরিক্কী লমায় ১/লমায় ২ মথং মথং অদুবুনি। হূইনা-য়েন্না শোক্কনি হায়বদি অদুগুম্লবা ইপা ইপুগী অশেংবা লাইনীং লাইশোন পুয়া লাইরিকশিংদু হূইগুম্বা য়েনগম্বশিংনা খোৎতুনা অরেম্বদা মাঙহনখিগনি হায়না পাউরৌ পান্থৈগুম্না শুরগী খোলৈ ওইনা অদুমক শক্লা শোন্নখিবনি। কে এন ওগা ইন্দিয়া লৈঙাক্কা ‘সূ’ অসি চৎনরি অদুবু চুড়াচান্দপুরগী দি সী ওফিস অমসুং পুলিস ষ্টেসন তুম্নবা মৈ থাদোকপদা অসাম রাইফলশিংনা য়েংদুনা লৈরিবনি, মণিপুরগী পুলিস খরসিনা কৈদৌবা ঙমগদৌরিবনো? সিদা অদুম লোইরবনি/খঙলবনি মখা তানীংঙাই লৈত্রবনি।

মীতৈ/মৈতৈ লীপুনগী প্রমোদনা হায়রি, মখোয়সু লানগী শেম শারি, ঐখোয়সু অদুমক শেম শারি, লান্দি লোইখিরোই, অদুমক থেংনখিগনি হায়না হায়রিবসিনি। চীংখোঙ চীংয়াদি ঐখোয়গীনি, মখোয়দি চীংথক্তা লৈগদৌবনি, করিগী মখোয়না চীংখোঙ চীংয়াদা লান্দারক্লিবনো? মখোয়না হেক লেপত্রিমখৈ ঐখোয়না হনবদি তৌররোই হায়না হায়রিবসিনি। ঐখোয়গী চীংখোঙ চীংয়াগী লমদমদুদা শিংনরকপা হায়বসি তুংগী ঐখোয়গী ইচা ইশু হাক্তক্তা শান্তি লৈরোইদৌবা থৌদৌনি, নাখৈ শেংনা থল্লমগদৌবনি। মোরেদা গুরখা রেজিমেন্টনা মখোয়গী কেম্পর গাড়ীনা রেগুলর পেট্রোলিং চৎলিঙৈদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা অফবা মখলগী নোংমৈ ওনশিল্লক্তুনা বোম কাপ্পনবা তোপ গনশিং থাংদোরক্লগা গুরখা রেজিমেন্ট গাড়ীদু বেক তৌখো নৎত্রগদি কাপখায়গনি/থুগাইগনি হায়দুনা কেম্পর গাড়ী মথক্তা কুকিশিংনা কাখৎতুনা (আই ই দি বোম) উৎলদুনা ধপ তৌরিবনি। গুরখা রেজিমেন্টশিংনা লাউদ স্পিকরদগী ওইরোইদৌবা, মমুলি থোক থাক তৌনু মখোয়গী লম্বী থিংগনু হায়না লাউরবা ফাওবদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা হন্দবদগী কেম্পর গাড়ীদু ওইনা বেক তৌবগী ভিদিও ভাইরেল ওইরিবদুনি। ঐখোয়না হায়নীংলিবদি ‘সূ’ এগ্রীমেন্ট চৎনখিবগী গ্রাউন্দ রুলদা মখোয়গী খূৎশু-খূৎলায়গী চাংদুদগী য়াম্না হেনখ্রে, অদুগা কুকি মিলিটেন্ট মশীংসু ‘সূ’ গী য়ানখিবা (ইন্দিয়া লৈঙাক্লা তোলোপ পীরিবা) কুকি লাম্মী মশীং অদুগী ৱাংমদা লৈখ্রবা চাংদনি ম্যান্মাররোমগী কুকি মিলিটেন্টশিং মশীং থিঙমদবা কয়ামুক য়াওরিবনি। মসি পূন্নমক ইন্দিয়া লৈঙাক্লা য়ানখিবদুগী ৱাংমদনি হায়বসিনি। অসুম্না কুকি মিলিটেন্টশিং মখোয়না তৌনীংবতা তৌবা ‘সূ’ গী চৎনরোলদগী য়াম্না হেনমনবা চৎনবীশিং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খঙলক্তুনা (ফাওদোক ফাওজিন য়াদবা ঙমখৈ পরিং শন্বল খারগনি) হায়না হৌজিক্তা লাউথোক্লিবসিনি। লাক্লিবা ২০২৪গী ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্ট মীখল মমাঙদা ঐখোয়গী দিমান্দশিং ফংননবা হেক্তা তালহৌগদৌবনি নৎত্রগদি ঐখোয় চহী মঙা অমগসু লান অসি মায়োক্লখিগনি। চৎলিবা ফেব্রুৱারী থাসিগী ১৬/১৭/১৮দা শুগুনুগী অকনবা লানফমদা কুকি মিলিটেন্ট ২৮ লোম শিখ্রে হায়রি, কয়ামুক অচুম্বা পাউনো হায়বদুদি খঙদে, ভাইরেলদি ফজনা ওইখ্রবনি।

ম্যান্মারদা চহী তরা লান তৌনরগা মণিপুরদসু অদুমক লান তৌদুনা লৈগদ্রা? চাইনানা ম্যান্মারগী লম পাল্লমগনি, মখোয়দি মীশিং য়াম্বনিনা মখোয়গা হেক থংনরিবা লম পূন্নমক খোপচিল্লিবনি। ইন্দিয়া, নেপাল, ম্যান্মারগী মখোয়গা থংনবা পূন্নমক তপ্না তপ্না চাইনানা লম্বী থোং শেমজিন্দুনা খোপচিল্লিবনি। ইন্দিয়াগী (মেপ অসি মেপ ওইনা ফজনা উজবতা ঙাইরবনি) পাকিষ্টান ওকুপাইদ কাশ্মীর (পি ও কে) অদুগা চাইনানা লৌশিনখ্রবা লদাক্কী শরুকশিংদি চাইনানা খুদুম চনখ্রবনি। অরুনাচলগী শরুক খরসু চাইনানা খুদুম চন্দুনা থমখ্রবনি। চাইনানা মতেং পাংলিবা লমদমদু তপ্না তপ্না চাইনানা নোংমা নৎত্রগা নোংমদি খোপচিল্লক্কনি হায়বসি মালেমগী লৈবাকশিংনা খঙনরবনি। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৪**

১) **‘‘নুংশি লমন’’** (২০১৬) হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?
২) **‘‘মেরা থাগী শনারৈ’’** হায়না মিংথোনবা ঈশৈ শৈরেংগী লাইরিক অসি কনানা ইবনো?
৩) **‘‘নুংশিরবী পোক্লমদম
নথানুংদা হিংলিবা মহিংসিবু
করি মহিং কৌবগে?’’**
শৈরেং মতেক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপা করম্বা শৈরেংনো?
৪) **‘‘পূন্সিগী মহাও’’** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? অইবগী মমিং করি কৌবগে?
৫) **‘‘দা. কমল : লাইফ এন্দ ভিজন’’** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদগী ইংগ্রাজিদা কনানা ট্রান্সলেট তৌবগে? লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা কনানো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৯, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।